# সন্তোশ ট্রোফি : দেল্লীবু পাঙ্গল ২-১দা মায়থীবা পীরম্লগা মণিপুর সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে

**ইটানাগর, মার্চ ০২ (এজেন্সী):**

অরুনাচল প্রদেশতা হৌজিক চত্থরিবা ৭৭লক শুবা সন্তোশ ট্রোফিগী ওইনা ঙসি মণিপুর (ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন) অমদি দেল্লীগী মরক্তা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা মণিপুরনা দেল্লীবু মায়থীবা পীরম্লগা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে। অমরোমদা মিজোরামনা রেলৱে মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলগী মফম কনবা ঙমখ্রে।



ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদগী হৌরগা য়ুপিয়াদা লৈবা গোল্ডন জুবিলী ষ্টেদিয়মদা মণিপুর অমসুং দেল্লীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা হৈ-শিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখি। অদুমওইনমক মেটচ অদুগী হৌগৎলকপা ৭শুবা মিনটতা মণিপুরগী ফিজম সনাথোইনা দেল্লীগী মায়কৈদা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। দেল্লীগী শান্নরোয়শিংনসু মখোয়গী মায়োক্তা চনখিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দে দাক্লবা অকনবা মওংদা শান্নরকখি। মেটচ অদুগী ৪১ শুবা মিনটতা দেল্লীগী রিসাব দোব্রিয়ালনা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-১দা মান্না লৈখি।

অনীশুবা হাফকী ওইনা শান্নখিবা অদুদসু নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাং মান্ননা শান্নবা ঙমখি। অমনা অমবু লাকচনা শান্নবা ঙমখিদে। মেটচ অদুগী ৬৬শুবা মিনটতা মণিপুরগী লৈমজম শঙ্করনা হৈন-শিংনা দেল্লীগী মায়োক্তা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। অদুবু মেটচ লোইবা ফাওবদা দেল্লীগী মায়কৈদগী মখা তাবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু মণিপুরনা পাঞ্জল ২-১দা মায় পাক্লুনা সন্তোশ ট্রোফিগী সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী প্লেয়র ওফ দি মেটচনা ফিজম সনাথোইনা তাখি।

অমরোমদা, ঙসি অয়ূক মিজোরাম অমসুং রেলৱেগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা মিজোরামগী শান্নরোয়শিংনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা পাঞ্জল ৪-০দা রেলৱে মায়থীবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি। মিজোরামগী পাঞ্জলশিং অদু ১৭, ৮১, ৯৩শুবা মিনটতা লালথানকিমা, ভানলাভিয়া চাংটে, মালসোম ফেলানা অমমম্ চনখিবনি। অদুগা অতোপ্পা পাঞ্জল অমদুনা রেলৱেগী অভিসেক আইসনা ৮৭শুবা মিনটতা শোয়বদগী মশাগী মায়কৈদা চনশিঞ্জখিবনি।









Title : Anime
By : Hidam Benison
Class : III Roll No. : 12 Sec. :
School : Leimakon Regional Institute, Nambol



Title : Peacock
By : Nongmaithem Chingjumleima
Class : KG Roll No. : 69 Sec : B
School : Christ Jyoti, Mantripukhri



Title : Ready for Hiyangtanaba
By : Takhellambam Damini
Class : III Roll No. : 52 Sec. : Marigold
School : SL Arena of Learning




Title : Kali Mata
By : Fathouba Laishram
Class : III Roll : Sec. :
School : SL Arena of Learning



Title : Scenery
By : Takhellambam Henthoiba
Class : Nursery Roll No. : 1 Sec. : A
School : RB Academy, Lamsang



Title : Florence Nightingale (The lady with the lamp)
By : Isheeka Laishram
Class : IV Roll No. : 23 Sec : B
School :



Title : PEPA PIG
By : Chabungbam Jeshurund
Class : III Roll No. : 6 Sec. : H
School : Tiny Tots Unique School




Title : A plant in rainbow
By : Kh. Jessica Devi
Class : III Roll No. : 2 Sec : A
School : The Combined Eng. School, Awang Khunou



Title : Scenery
By : Khristy Mayengbam
Class : KG Roll No. : 19 Sec : A
School : Tiny Tots Unique School




Title : Anime
By : Mutum Lamnganba
Class : III Roll No. : 1 Sec. :
School : Wangkhei High School



Title : Scenery
By : M. Lilyleima
Class : IV Roll No. : 13 Sec. : B
School : R.K. Sanatombi Devi Vidyalaya



Title : Scenery
By : K. Lingjel
Class : III Roll No. : 18 Sec. : A
School : R.K. Sanatombi Devi Vidyalaya



Title : Scenery
By : Lingjel Tayenjam
Class : I Roll No. : 6 Sec. :
School : R.K. Sanatombi Devi Vidyalaya, Pangei




Title : A House
By : Mangalleima Takhellambam
Class: I Roll No. : 43 Sec. : Jasmine
School : SL Arena of Learning



Title : Streetlights
By : Meerenkhomba Nongthombam
Class : II Roll No. : Sec. : C
School : Heritage School




Title : Bridge
By : Necy Nongthombam
Class : IV Roll No. : Sec. : A
School : Nirmalabas School




Title : Tom and Jerry
By : Irom Prithibiraj Meitei
Class : IV Roll No. : 6 Sec. : A
School : Kid's Tower School




Title : Mine & Grisy
By : Sillory Nongmaithem
Class : II Roll No. : 10 Sec. : B
School : KV Lamphelpat



Title : CAMEL (The Ship of the desert.)
By : Tiaro Huidrom
Class: III Roll No. : 2 Sec. : A
School : R.K. Sanatombi Devi Vidyalaya




Title : NO MORE WAR
By : Yaisana Thongam
Class : III Roll No. : 34 Sec. : A
School : R.K. Sanatombi Devi Vidyalaya

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com